HUEIYEN LANPAO

# ব্রাজিলদা খূৎলাই পায়বা লান্মীশিংনা দ্রগ লল্লোনবা মীওইশিংগী মথক্তা চথখিবা ওপরেসনদা ২৫ শিরে

রিও দি জনৈরো, মে ০৭ (এজেন্সী) :

ব্রাজিলগী মনুং চনবা রিও দি জনৈরোগী খ্বাইদগী চাওবা স্লম এরিয়া অমদা পুসিলসশিংনা দ্রগ লল্লোনবা কাঙবুশিংদা টার্গেট তৌদুনা চথখিবা ওপরেসন অমদা খূৎ থোক্লরকপদগী পুলিস ওফিসর অমা য়াওনা মীওই ২৫ শিখ্রে হায়রি।



রিও দি জনৈরোগী অৱাং থংবা শরুক্তা লৈবা জকার্জিনহোগী শরুক্তা ঙসি অয়ুক অঙনবদা খূৎলাই পায়বা পুলিস পার্সনেল কয়া মফমদুদা চঙশিল্লকখি অমদি মখোয়দা মতেং পাংবা ওইনা বুলেট প্রুভ হেলিকোপ্তর অমা নোংথক্তা পাইদুনা লৈখি। মফমদুদা দ্রগ লল্লোনবা অমদি খূৎলাই পায়বা মীওইশিং লোনা য়াদবা মওংদা থবক তৌরে হায়বগী অকক্লবা পাউ অমা ফংলবা মতুং পুলিসশিং মফমদুদা চঙশিনখিবনি। মদুদা ক্রিমিনেলশিং ওইরম্বা য়াই চিংনবা মীওই খরা নাম্থোক্তুনা চেন্নবা হোৎনখি। মদুদা পুলিসশিং অদুনা নোংমৈ কাপখি। পুলিসনা চথখিবা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্তা শোয়বদগী হায়দোরকখিবা নোংমৈ মরুনা পান্দুনা মেট্রো ত্রেনদা লাকখিবা পেসেঞ্জর অনী অমসু শিখি।

স্লম এরিয়াগী মফম খরদা লৈরিবা য়ুমগী শরুকশিংদা নোংমৈ মরুনা পানবগী দাকফম কয়া মীয়াম্না উবা থেংনখি। অমদি লৈমায়দা মীওই কয়া শিদুনা তাবসু নাকলদা লৈরম্বা মীওইশিংন থেংনখি।

রিওগী সিভিল এন্দ ফেদরেল পুলিস ফোর্সনা ঙসিগী ওপরেসন অদু মায় পাখ্রে হায়না ফোঙদোরক্লি। অদুমওইনমক হ্যুমেন রাইটস এক্তিভিষ্টশিংনদি পুলিসকী থৌওং অদুবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা অহেনবা থবক থৌওং কয়া পুলিসনা চথখি হায়না মরাল শীরক্লি।

মফমদুদা নোংমৈ কাপখিবা অদু লাইবকথিবনি। অতোপ্পা পাম্বৈ অমা তৌরগা দ্রগ লল্লোনবা মীওইশিং অদু ফানবা হোৎনরম্বসু য়াই। অদুবু মদুগী মহুত্তা মীয়াম তিনবা মফমদা নোংমৈ কাপ্পা হায়বসি অরানবা থৌওংনি। মখা তানা অসিগুম্বা থৌওংশিং থোকহন্দনবা হায়রি।

সেন্তর ফোর ষ্টদিজ ওন পব্লিক সেক্যুরিটি এন্দ সিটিজেনসিপকী রিসার্চর ব্রুনোনা ফোঙদোকখিবদা মহাক্কী মপুন্সিদা পুলিসনা য়াম্না তমথিবা মওংদা চথখিবা ওপরেসন অদু অহানবা ওইনা উবনি। পুলিস ওফিসর অমা দ্রগ লল্লোনবশিংগী নোংমৈ মরুনা শিখিবা অদুগী লমন খুম্বা মানবা মওংদা অহেনবা পুলিস ফোর্স কয়া থোমজিল্লক্তুনা নোংমৈ কাপ্পগী থৌওং অদু চথখিবনি।

ব্রাজিল পুলিসনা নোংমৈনা কাপ্পগী থৌওংদা শিখ্রবশিং অদু হৌজিক ফাওবগী ওইনা কনা কনানো হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। শিরিবশিং অদুগী মনুংদা মীচম কয়া য়াওরম্বা য়াবগী চিংনবা লৈ হায়না ব্রুনোনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

পুলিসকী মায়কৈদগীসু থৌদোক অদুদা শিখ্রবা মীওইশিং অদুগী মতাংদা চপ চানা মীয়ামদা খঙহল্লকপা লৈত্রি। অদুবু লোকেল মীওইশিংনা ফোঙদোরকখিবদা মফমদুদা শিদুনা তারিবা মীওই অয়াম্বা জগা অদুগী নত্তে। মফম অদুগী মীওইশিং নৎত্রবসু পুলিসনা স্লম এরিয়া অদুদা চথখিবা কা হেনবা থৌওং অদুদি মীয়াম্না য়ানিংদে।

ইমুংদা লোত্তুনা লৈরিবা মীওইশিং অদুবু ফারগা ৱায়েল চথবগী মহুত্তা ইমুংদা নুপী অঙাং মমাংদা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবগী থৌওং অদুনা মরম ওইরগা অঙাংশিংগী ৱাখল্লোনদা অকিবা মমি চাওনা পোকহল্লে। মতুং তাবদা অসিগুম্বা থবক থৌওংশিং চথদনবা আপীল তৌরি।

# মথোল ১৯ ৱাংবা লন্দন টৱার ব্লোক খঙহৌদনা মৈ চাক্লকখ্রে

লন্দন, মে ০৭ (এজেন্সী) :

লন্দনগী নোংপোকথংবা শরুক্তা লৈবা মথোল ১৯ ৱাংবা লন্দন টৱার ব্লোক খঙহৌদনা মৈ চাক্লকখ্রে হায়না ফয়র সার্ভিসকী মায়কৈদগী ফোঙদোকখ্রে।



ঙসি অয়ুক অঙনবদা চাক্লকখিবা মৈ অদু কন্নবা হোৎনবদা ফয়র সার্ভিস ১০০ রোম্না মথৌ তৌখি। মৈ অদু মরু ওইনা বিল্ডিং অদুগী ৮ শুবা, ৯ শুবা অমসুং ১০ শুবা ব্লোক্তগী চাকপা হৌরকখিবা ওইরম্বা য়াই। হায়রিবা ফ্লোর অসিদগী মৈ অমদি মৈখু কা হেন্না পাইথোরকপা মীয়াম্না উনখি।

ফাইয়র ফাইটরশিংনা মৈ কনবগী থবক চথরিবা মনুংদা বিল্ডং অদুদা লৈরম্বা মীওইশিং রেস্ক্যু ৱার্কশিংনা পুথোরকপগা লোয়ননা খুদক্কী ওইবা ট্রিটমেন্ট চথখ্রে। এম্বুলেন্স সার্ভিস কয়াসু মফমদুদা চঙশিল্লক্তুনা মীয়ামগী মতেং পাংলকখি। হৌজিক ফাওবগী ওইনদি মৈ চাকপগী থৌদোক অদুনা মীশি মীনা থোকহনবগী পাউ লৈত্রি। অদুবু অশোকপা খরা য়াওখি।

ঙসিদগী চহী ৪ রোমগী মমাংদা কনারি হ্বার্ফ ফাইনান্সিএল দিষ্ট্রিক্ট মনাক্তা চাকখিবা মৈহৌ লাংপোক্কী থৌদোক অমদা মীওই ৭২ শিখি। মদুগী মতুং লৈবাক অসিদা মৈ কন্না চাকপা অসি হন্দক্কী অসিনা অহানবা ওইরি।

ঙসি মৈ চাকখ্রবা বিল্ডিং অদুগী অয়াম্বা ফ্লোরশিংদা মৈ চাক্কনবা য়াবা পোৎলমশিং লৈ হায়না ফায়র সার্ভিসকী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা মৈগী ফীভম মপুং ফানা কন্ট্রোল তৌবা ঙম্লে হায়রি।

লন্দনদা বিল্ডিং মৈ চাকপগী থৌদোকশিং য়াম্না তাঙনা থোকই। অদুমওইনমক থৌওং অসি ঐখোয়না তরাইনা লৌফম থোক্তে। মতৌ করম্না মৈ অদু চাক্লকখিবনো হায়বগী মতাংদা মরী লৈনবশিংনা অথুবা মতমদা থিজিন্দুনা মীয়াম খঙহনগদবনি হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা য়ু কেগী প্রাইম মিনিষ্টর বোরিস জোন্সননা থোকখিবা থৌদোক অদু লাইবকথিবনি হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মখা তানা অসিগুম্বা মখলগী থৌদোকশিং থোক্তনবা পায়খৎপা য়াবা থবক থৌরাংশিং পায়খৎলগনি। অমদি অচৌ অচৌবা বিল্ডিংশিংদা মীয়াম্না য়ারিবমখৈ মৈচাক ফবা পোৎ থল্লোইদবনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## করেন ইন্সর্জেন্টশিংনা গভর্ণমেন্ট আউট পোষ্ট ১ কন্ত্রোল তৌখ্রে

বেঙ্কোক, মে ০৭ (এজেন্সী) :

হৌখিবা ফেব্রুৱারী অমদগী ম্যান্মারদা মিলিটরি লৈঙাক লাকখ্রবা মতুং মদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা খোঙজং চঙশিনখিবা মীয়ামদা পুলিস অমদি সেক্যুরিটি ফোর্সনা কা হেনবা থৌওং চথখিবা অমদি মরাল লৈজদ্রবা মীওই কয়া নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখ্রবা মতুং ম্যান্মার ইথনিক গ্রুপকী লালহৌবশিংনা মিলিটরিগী মথক্তা লাল হৌরগনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রে।

ম্যান্মারদা মরু ওইবা ইথনিক গ্রুপ অমা ওইরিবা করেনগী খূৎলাই পায়বা লালহৌবশিংনা নুমিৎ খরনিগী মমাংদা গভর্ণমেন্ট আউট পোষ্ট অমদা এটেক চথদুনা সেক্যুরিটি ফোর্স খরা হাৎখিবগা লোয়ননা আউট পোষ্ট অদু মৈ থাদোকখি। হায়রিবা আউট পোষ্ট অদুদগী কিলোমিটর ১৫ রোম চৎলগা লৈবা আউট পোষ্ট অমসু ঙসি করেন লালহৌবশিংনা কন্ট্রোল তৌখিবগা লোয়ননা মৈ থাদোক্তুনা মাঙহনখ্রে।

ম্যান্মারগী তোঙান তোঙানবা শরুকশিংদা করেন অমসুং কাচিন ইথনিক গ্রুপকী লালহৌবশিং অমদি ম্যান্মার সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা য়াম্না তোয়না খূৎ থোক্লবগী থৌদোকশিং থোক্লি। করেন ইনর্জেন্সি গ্রুপকী মশা অমা ওইরিবা করেন নেস্নেল লিবরেসন আর্মীগী মেজর জেনরেল নের দা য়ানা টেলিফোনগী খুথাংদা ফোঙদোরকখিবদা মিলিটরিনা ম্যান্মারদা পৱার পায়খ্রবা মতুং ম্যান্মার সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগা খূৎ থোক্লবগী থৌদোকশিং লেপ্পা লৈতনা চথরি। মখা তানসু ম্যান্মার সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগী মথক্তা কে এন এল এনা গোরিলা ৱারফেয়রশিং চথখিগনি।

হৌখিবা মার্চ থাগী লোয়শিল্লকপদা ম্যান্মার মিলিটরিনা থাইলেন্দগী ঙমখৈ নক্লা মনাক্তা লৈবা করেন ইন্সর্জেন্ট গ্রুপশিংগী কেম্পশিংদা নোংথক্তগী লান দারকপগী থৌদোক অমা থোকখি। মদুদগী ইন্সর্জেন্ট গ্রুপ অসিনা ম্যান্মার সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগী আউটপোষ্টশিংদা এটেক চথবা হৌরকখিবনি হায়রি।

## ফ্রান্সতা থুংলবা খুদিংমক নুমিৎ ১০ ক্বারেন্টিন তৌনবা খঙহনখ্রে

পেরিস, মে ০৭ (এজেন্সী) :

মালেমগী লৈবাক খুদিংমক্তা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা অমুক হন্না অকনবা চৈথেং পীবা হৌরকখিবগা লোয়ননা লৈবাক কয়ানা মশা মশাগী ওইবা চৎনা কাঙলোনশিং শেমদুনা চেকশিন থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎনরি।

ফ্রান্সনসু লৈবাক অদুদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ শন্দোরকপা থিংনবগী পান্দমদা অতোপ্পা লৈবাক্তগী লাকপা মীওই খুদিংমক য়ামদ্রবদা নুমিৎ ১০ ক্বারেন্টিন তৌদুনা লৈনবা খঙহনখ্রে। মরু ওইনা ইন্দিয়াদগী লাকপা মীওইশিংদি নুমিৎ ১০ ক্বারেন্টিন তৌরবা মতুং টেষ্ট তৌথোক্লবা খঙহনখ্রে হায়রি।

# ক্লাস সিক্সকী নুপীমচা অমনা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্তা ৩ শোক্লে

লোষ্ট এঞ্জেলস, মে ০৭ (এজেন্সী) :

য়ু এস ষ্টেটকী অৱাং নোংচুপ থংবা শরুক্তা লৈবা ইদাহোদা ক্লাস সিক্স খক্তমক তম্লিবী নুপীমচা অমনা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্তা মীওই অহুম অশোক অপন নংখ্রে হায়না পুলিস ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।




পুলিসনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না মশাগী চহী ১১ রোম শুরবী মহৈরোয় নুপীমচা অদুনা মহাক্কী খাওদগী হেন্দ গন অমা পুথোক্লবা মতুং ক্লাস মনুং অমদি মপান্দা নোংমৈ কাপখিবনি। নুপীমচা অদু ইদাহো ফোলসতা লৈবা রিগবি মিদল স্কুলদা ক্লাস সিক্স তম্লিবী মহৈরোয়নি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা কাউন্টি সেরিফ ষ্টিফ এন্দরসননা ফোঙদোরকখিবদা মহৈরোয় নুপীমচা অদুনা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্তা স্কুল অদুদা তম্বা মহৈরোয় অনী অমদি ষ্টাফ অমা শোকখি। মখোয়গী ফীভম হৌজিক খুদোংথিনিংঙাই ওইদ্রে।

মহৈরোয় নুপীমচা অদুনা বেগতগী নোংমৈ লৌথোক্তুনা কাপ্পা হৌরকখিবা অদুদা অহানবগী ওইনা মীপায়নবদগী ওজা অমদি ষ্টাফ অমত্তা নুপীমচা অদুগী মনাক নক্লা চঙবা ঙমখিদে। অদুমওইনমক থৌনা ফৱবা ওজা নুপা অমনা য়াম্না হৈনা শিংনা নুপীমচা অদুদগী নোংমৈ অদু মুল্লবা মতুং পুলিসতা পাউ পীরকখিবনি।

ওজাশিং অদুনা নুপীমচা অদুদগী নোংমৈ অদু মুল্লবা মতুং স্কুলগী কা অমদা পুলিস লাক্তিফাওবা ফাজিন্দুনা থমখি। চহী নৌরিবী নুপীমচা অদুনা চথখিবা থৌদোক অদু লোকেল লো ইনফোর্সমেনশিংনা থিগৎপা হৌখিবগা লোয়ননা এফ বি আইনসু থৌদোক অদুগী মতাংদা থিগৎপা হৌখ্রে।

য়ু এসতা হৌখিবা চয়োল খরা অসিদা মীয়াম তিনবা মফমদা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোকশিং য়াম্না তোয়না থোক্লি। অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসি য়ু এস প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা ইপিদেমিক্লি হায়না লাউথোকখিবগা লোয়ননা মালেমগী লৈবাক ময়ামগী মমাংদা ঈকায়নিংঙাই ওইবা থৌদোক্লি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

## ভরমোন্টকী গভর্ণরনা ইন্দিয়াদা মতেং পীরগদৌরি

ৱাশিংটন, মে ০৭ (এজেন্সী) :

ভরমোন্টকী গভর্ণর ফিল স্কোটনা কোভিদ-১৯ গী অনীশুবা ৱেভনা অচৌবা চৈথেং পীরিবা ইন্দিয়াদা মথৌ তাবশিং মতেং পীনবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা ইন্দিয়ানা মথৌ তাবশিং হায়রকপা মতমদা পীনবা শেম শাদুনা লৈরে হায়রি।

য়ু এসতা লৈবা ইন্দিয়ন এম্বেসেদর তরনজিৎ সিংহ সনধুগা শগোলশেন নুমিত্তা ভর্চ্যুয়েল ওইনা উন্নখিবা অমদা স্কোট অমদি সিংহ অনীনা য়ু এস অমসুং ইন্দিয়াগী ইকনমিগী মরী ফংগৎহন্নবগী মতাংদা খন্নখিবগা লোয়ননা মতেং পীনবা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না ফোঙদোকখিবদা ভরমোন অসি অপিকপা ষ্টেট অমা ওইরবসু ইন্দিয়াদা ওইরিবা তমথিরবা কোভিদ-১৯ গী লায়না লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনবদা অঙম্বা মতেং পীনবা শেম শাদুনা লৈরি। ইন্দিয়াদা ওইরিবা ফীভম অসি য়াম্না মীপায়নিংঙাই ওইরি। মালেমগী লৈবাক খুদিংমক্না ইন্দিয়াদা অঙম্বা মতেং পীদুনা লৈবাক অদুদগী কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনবগী মতম ওইরে। ইন্দিয়াদা শন্দোরক্লিবা অনৌবা কোভিদ-১৯ ভেরিয়েন্ট অসি মপাঙ্গল য়াম্না কনবা অমদি কা হেন্না শাথিবনা মরম ওইরগা মালেমগী লৈবাকশিংদা মখা তানা লায়না লাইচৎ অসিনা অমুক হন্না চৈথেং পীরক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে। মরম অদুনা মতম লৈরিঙৈদা ইন্দিয়াদা মতেং পীনবা হোৎনগদবনি হায়রি। অমরোমদা ইন্দিয়াগী এম্বেসেদর সিংহনা স্কোটকী ফিরেপ অদুবু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

## পোকখায়বগী থৌদোক্তা মালদিভসকী হান্নগী প্রসিদেন্ট শোক্তুনা হোস্পিটালাইজ তৌখ্রে

মালে, মে ০৭ (এজেন্সী) :

মালদিভসকী হান্নগী প্রসিদেন্টসু ওইরম্লবা অদুগা হৌজিক হৌজিক্লা পার্লিয়ামেন্টকী স্পিকরসু ওইরিবা মোহমদ নসিদ শগোলশেন নুমিত্তা থোকখিবা বোম পোকখায়বগী থৌদোক অমদা শোকপদগী হোস্পিটালদা পুখত্তুনা লায়কন্নখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

মশাগী চহী ৫৩ রোম শুরবা প্রো দিমোক্রেসি পাইওনর অসিনা মী য়াম্না চিনবা মফম অমদা মহাক্কী কারদা কাখৎনবা হোৎনরিঙৈদা নাকলদা হান্না খামদুনা লৈবা বাইক অমদা ফিট তৌদুনা থম্লম্বা বোম অদু পোকখায়রকখিবনি। মালদিভিয়ান গভর্ণমেন্ট ওফিসলনা ফোঙদোরকখিবগী মতুং ইন্না নাসিদকী পুন্সিদা এটেম্প তৌদুনা চথরকখিবা এটেক অদুদা লাইবক ফবদগী মহাক মশাগী হকচাং খরা শোকপা নত্তনা কা হেন্না খুদোংথিবা নংহৌদ্রে।

এটেক অদু করম্বা গ্রুপনা চথরকখিবনো হায়বদু হৌজিক ফাওবগী ওইনদি চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। অমদি কনাগুম্বা অমত্তনা থৌদোক অদুগী মতাংদা ক্লেম তৌরকপসু লৈত্রি। অমরোমদা মী য়াম্না তিনবা মফমদা বোম পোকখায়হনখিবগী থৌদোক অদুবু মায়কৈ কয়াদগী য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মখা তানা অসিগুম্বা মখলগী থৌদোকশিং থোকহন্দনবা আপীল তৌনরক্লি। পনবা য়াবদি নাসিদতা চথরকখিবা এটেক অদুদা মহাক্কী বোদিগার্দ অমসু শোকপদগী লায়কন্নখি হায়রি।

## ইজরেল লালহৌবশিংনা হৌরকফম ওইরিবা লৈবাকনি

টেহরান, মে ০৭ (এজেন্সী) :

ইরানগী সুপ্রিম লিদর অয়াটোলা অলি খামেনৈনা ইজরেল অসি লৈবাক অমা নত্তে, মসিদি লালহৌবশিংগী হৌরকফমনি হায়না অকনবা মওংদা ঙাঙখিবগা লোয়ননা ইজরেলনা মরম ওইরগা মালেমগী লৈবাক কয়াদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নহল্লে হায়রি।

মালেমদা লৈরিবা ইস্লাম লাইনিং চৎপা লৈবাক কয়াদা ইজরেলনা টেরোরিষ্টকী ওইনা থবক থৌওং কয়া চথরি। মরু ওইনা য়ুমথংনরিবা পেলেষ্টাইনদা ইজরেল মিলিটরিনা টেরোরিজমগী ওইবা থবক থৌরম কয়া চথরি।

নুমিৎ খুদিংগী খূৎলাই পায়বা ইজরেলিশিংনা মরাল লৈজদ্রবা পেলিষ্টিনিয়ন কয়া কাপ্তুনা হাৎলি। অমদি পেলিষ্টিনিয়নশিংগী লম্বু মখোয়গী লমনি হায়দুনা খোপচিনবগী থবকসু চথরি হায়না ইরানগী সুপ্রিম লিদর অসিনা ইজরেলগী মথক্তা মরাল শীরক্লি। ইজরেলনা চথরিবা থৌওংশিং অসি লেপত্রবদি টেহরাননা তুমিন্না লৈথোক্লোই হায়রি।

# ইজরেল্লি মিলিটরি বেজতা এটেক চথরকখিবা মীওই অহুমগী মনুংদা ২ শিখ্রে অদুগা ১না শাথিনা শোক্লে

জেরুসালেম, মে ০৭ (এজেন্সী) :

ইজরেল মিলিটরিনা ওকুপাইদ তৌদুনা লৈরিবা ৱেষ্ট বেঙ্ককী অৱাং থংবা শরুক্তা লৈরিবা ইজরেলি মিলিটরি বেজ অমদা পেলিষ্টিনিয়ন অহুম্না চথরকখিবা এটেক অমদা মিলিটরিনা হন্দুনা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্তা মীওই অনী শিরে অদুগা অমনা শাথিনা শোক্লে হায়না ইজরেল মিলিটরিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।



সালেম মিলিটরি বেজ দা পেলিষ্টিনিয়ন অহুম অদু চঙশিল্লকখিবগা লোয়ননা সব মেছিনগনশিং শীজিন্নদুনা মিলিটরি বেজ অদুদা এটেক চথরকখিবনি। বোর্দর পুলিস অমসুং ইজরেল মিলিটরিনা মদুগী পাউখুম পীবা ওইনা হন্দুনা নোংমৈ কাপখি। থৌদোক অদুদা ইজরেলগী মায়কৈদগী অশোক অপন অমত্তা নংখিদে হায়রি।

ইষ্ট জেরুসালেমদা পেলিষ্টিনিয়ন অমসুং ইজরেলিশিংগী মরক্তা চাওনা উংখৎনবগী থৌদোকশিং থোক্লি। মরক অসিদা ইজরেল মিলিটরিনা মীওই অনী কাপ্তুনা হাৎখিবা অমদি শোকহনখিবা অদুনা মরম ওইরগা উংখৎনবগী চাং হেনগৎলকপা য়াবগী অকিবা লৈরি।

হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিত্তসু ইজরেলি ক্রুপশিংনা মশাগী চহী ১৬ খক্তমক ঙাইরিবা পেলিষ্টিনিয়ন নুপামচা অমা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবগী মতাংদা হৌজিকসু উংখৎনবা কয়া লৈরিবনি।

অমরোমদা ইজরেলি মিলিটরিনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না লালহৌবা ওইরম্বা য়াই হায়না চিংনবা পেলিষ্টিনিয়নশিংনা ইজরেল মিলিটরিদা য়াম্না তোয়না এটেক চথরি। ইজরেলনা মফম অদুদগী লালহৌবগী প্রোব্লেম লোয়শিন্নবা মতম কয়াগী মমাংদগী হোৎনদুনা লাক্লি। মখা তানসু মফম অদুদা লালহৌবশিং লৈবা ঙমদনবা অকনবা চেকশিন থৌরাংশিং পায়খৎপগা লোয়ননা মখল মখা কয়াগী ওপরেসনশিং চথরগনি হায়রি।

## মালেমদা কোভিদ-১৯ না খ্বাইদগী হেন্না শোকহল্লবা লৈবাকশিং

| Sl. No | Total Cases | New Cases | Total Death | New Deaths | Total Recover | Active Cases |
|---|---|---|---|---|---|---|
| | World | 156,803,270 | +113,478 | 3,272,259 | +2,891 | 135,017,991 |
| 1 | USA | 33,369,192 | | 594,006 | | 26,105,411 |
| 2 | India | 21,491,598 | +6,313 | 234,083 | +12 | 17,612,351 |
| 3 | Brazil | 15,009,023 | | 417,176 | | 13,591,335 |
| 4 | France | 5,728,090 | | 105,850 | | 4,786,754 |
| 5 | Turkey | 4,977,982 | | 42,187 | | 4,626,799 |
| 6 | Russia | 4,863,514 | +8,386 | 112,622 | +376 | 4,480,360 |
| 7 | UK | 4,428,553 | | 127,583 | | 4,240,475 |
| 8 | Italy | 4,082.198 | | 122,263 | | 3,557.133 |
| 9 | Spain | 3,559,222 | | 78,726 | | 3,239,382 |
| 10 | Germany | 3,486.462 | | 84.811 | | 3,128.800 |
| 11 | Argentina | 3,095,582 | | 66,263 | | 2,757,230 |
| 12 | Colombia | 2,951.101 | | 76.414 | | 2,773.220 |
| 13 | Poland | 2,824,425 | +6,047 | 69,445 | +453 | 2,555,059 |
| 14 | Iran | 2,627.094 | +17.076 | 74.241 | +335 | 2,074.089 |
| 15 | Mexico | 2,358,831 | +2,846 | 218,173 | +166 | 1,879,713 |
| 16 | Ukraine | 2,105.428 | +8,404 | 45.830 | +379 | 1,731.162 |
| 17 | Peru | 1,832,671 | | 63,223 | | 1,720,665 |
| 18 | Indonesia | 1,703,632 | +6,327 | 46,663 | +167 | 1,558,423 |
| 19 | Czechia | 1,642,696 | +1,559 | 29,608 | +22 | 1,570,842 |
| 20 | South Africa | 1,590,370 | | 54,620 | | 1,511,905 |
| 21 | Netherlands | 1,538,589 | | 17,269 | | 1,295,738 |
| 22 | Canada | 1,265,320 | | 24,489 | | 1,159,506 |
| 23 | Chile | 1,229,248 | | 26,895 | | 1,166,227 |
| 24 | Iraq | 1,098,187 | | 15,673 | | 986,134 |
| 25 | Philippines | 1,087.885 | +7,733 | 18.099 | +108 | 1,003.160 |
| 26 | Romania | 1,063,949 | +1,422 | 28,799 | +89 | 1,009,237 |
| 27 | Sweden | 1,007,792 | | 14,173 | +36 | 835,458 |
| 28 | Belgium | 1,007,264 | +3,518 | 24,444 | +38 | 878,558 |
| 29 | Pakistan | 850,131 | +4,298 | 18,677 | +140 | 747,755 |
| 30 | Israel | 838,850 | +22 | 6,374 | | 831,387 |
| 31 | Portugal | 838,475 | | 16,988 | | 798,952 |
| 32 | Hungary | 789,188 | +1,541 | 28,403 | +106 | 553,836 |
| 33 | Bangladesh | 770,842 | +1,682 | 11,833 | +37 | 704,341 |
| 34 | Jordan | 717,930 | | 9,014 | | 698,201 |
| 35 | Serbia | 697,241 | | 6,499 | | 653,821 |
| 36 | Switzerland | 670,613 | +1,546 | 10,698 | +3 | 601,958 |
| 37 | Austria | 628,817 | +1,333 | 10,351 | +18 | 599,854 |
| 38 | Japan | 616,123 | | 10,517 | | 542,569 |
| 39 | UAE | 532,710 | +1,766 | 1,607 | +3 | 513,068 |
| 40 | Lebanon | 531,234 | | 7,415 | | 475,383 |
| 41 | Morocco | 513,016 | | 9,049 | | 499,917 |
| 42 | Malaysia | 432,425 | +4,498 | 1,632 | +22 | 396,004 |
| 43 | Saudi Arabia | 423,406 | | 7,032 | | 406,589 |
| 44 | Bulgaria | 408,372 | | 16,600 | | 345,489 |
| 45 | Ecuador | 395,327 | | 19,018 | | 329,582 |